# মণিপুরদা ৱেব সেরিজ অমদি মসিগী মীৎয়েং

*- নানি -*

অনৌবা মেদিয়ম অমা ওইনা ৱেব সেরিজ হায়বা অমা মণিপুরদা কন্না চৎনখৎলক্লি। মসিগী কান্নবসু য়াম্না লৈফম থোকই। অদুগা মসিগী ওইজবা ৱাৎপসু মশানা অদুম লৈফম থোকই। মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা ৱেব সেরিজ খরা উবা ফংলে। মসিগী মনুংদা য়াম্না নিংথিজনা প্লান তৌরগা পুথোকপসু য়াওবা উবা ফংই। মমুৎ তানা কাঙলোন অমগী মনুংদা অফবা-ফত্তবা মুন্না খন্নরগা থবক খুদিংমক লোইনা তৌনবনিদি হায়রগা খরা অহো-অরাক ময়াম অমনা য়োল্লগা মীয়ামদা লান্থোরক্লবদি অহোবশিং অদুদা মীৎয়েং থমদুনা ফজখ্রবা মেদিয়ম অসিগী মীংচৎ ময়েং তাখিবা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে।

ৱেব সেরিজ হায়বসি ইপিসোদিক (ৱেবসোদ) ফোর্ম অমদা তাঙ্কক নাইনা ইন্টর্নেটকী খূথাংদা য়ুট্যুবতা মীয়াম্না নিংথিনা স্ক্রিপ্ট অমা শেল্লগা শুটিং প্লান তৌদুনা পুথোক্ল রকপনি। ৱেব টেলিভিজন মেদিয়ম অমা ওইনা লৈরিবা মখল অসি অতোপ্পা ময়াম পূনবা (হৌজিক লৈরিবা ফিল্ম স্ক্রীনীং উৎলিবা সিনেমা হাওসনচিংবা) মফম অমত্তদা মীয়াম্না উবা ফংনদে। ফংনবগী খুদোংচাবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈতে। তৌবতবু থৱায় য়াওজবশিংনদি ইপিসোদশিং অসি য়াম্না য়েংনরি, য়ুট্যুব, টেব্লেট, লেপটোপ, দেস্কটোপ অমদি স্মার্ট ফোনগী খূথাংদা পাম্না য়েংনবা ঐখোয়না উরি। কুমজা ১৯৯০গী অদুৱাইদা মসি থোরকপা হৌখিবনি। হৌজিক্তিঃ মসি মালেমগী ওইবা থাক্তা য়েংবদা ৱেব সেরিজ অসিগী এৱার্দ খরা লৈরে। ইম্মি এৱার্দস অমদি ৯ কেনেদিয়ন স্ক্রীন এৱার্দসতা ৱেব সেরিজ অমদি দিজিটেল মীদিয়াগীসু মফম কনবা ঙম্লে। কুমজা ১৯৯৫দা ৱেব সেরিজগী ঈহৌ অসি য়াম্না কনখৎলক্তুনা ৱেব্বি এৱার্দ হায়বা অমা হৌদোকখি। কুমজা ২০০৯দা লোস এঞ্জেলস ৱেব সেরিজ ফেষ্টিভেল ইহান হানবা ওইনা পুথোক্তুনা মীদিয়ম অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা কন্না হোৎনরক্লি। কুমজা ২০০৯দা Indie Series Award হায়বা অমসু হৌদোক্তুনা ৱেব সেরিজগী কোমেদি, দ্রামা রিএলিটি টি ভি কেটেগোরিশিং লোইনা মনুং চলহল্লগা মসিগী ক্রিএটরস, এক্টরস, প্রদ্যুসরশিংবু সপোর্ট পীবা ওইনা রিকগনাইজ তৌনবগী পান্দমদা ইন্টরনেসনল একাদেমি ওফ ৱেব টেলিভিজন হায়বা অসি লীংখৎলকখ্রে। মসিনা Streamy Awards হায়দুনা ৱেব সেরিজগা মরী লৈনবশিংদা পীবা হৌখ্রে। মমৈথংদদি ইন্টরনেসনল একাদেমি ওফ ৱেব টেলিভিজনগী ৱারেপ অমগী মতুংইন্না আই এ দব্লিয়ু টি ভি এৱার্দস হায়না মখল কয়াগী কেটেগোরিদা এৱার্দ লান্থোকপা হৌখ্রে। পূম্নমকশিং অসিনা হায়রিবদি ৱেব সেরিজ হায়রিবা অসিগী ওইবা কান্নবা কয়া অমা মীয়ামদা পীরি হায়বা অসিনি। তৌবতবু ৱেব সেরিজ পুথোকপদা চঙলিবা শেনফমশিং ফজনা হঞ্জিল্লকপা ঙমদবা অসিমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লন্নাই মীওই অমদি কম্পেনিশিংনা ফাইনান্সিএল সপোর্ট পীবা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা মসিগী ওইবা অখন্নবা পোলিসি অমা ফাওবদি তাবা ফংদ্রি। ইন্দিয়াদসু ৱেব সেরিজ অসি মশীং খঙদনা কম্পেনি কয়ানা পুথোক্লরি। মসিগীতা ওইবা মফম অমা চাউনা কনবা ঙম্লক্লে।

ঈহৌ অসি হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না কনখৎনরক্লে। মণিপুরদা ৱেব সেরিজ পুথোকপা কম্পেনি খরা লৈরে। মখোয়গী মনুংদা- ইহুল, পোথাফম, মুশি মুশি, ঐখোয় লৈকায়, নুরাবি




হায়বনচিংবা খরা লৈরে।

মসিনা অরোইবা নত্তে, চিথরম্বসু য়ারি। অখঙবা খরখক্কী মমিং পনবনি। অনৌবা খরা অমসু রিলিজ তৌনবগী থৌরাং তৌরি হায়বগী পাউ লৈরি। ফিল্মগী এক্টর ওইনীংবা কয়া অমগী মফম অমা মসিনা পীরি। লোয়ননা মসিদগী অফবা এক্টর কয়া অমা শোয়দনা থোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। মশাগী টেলেন্ট ফনা লৈজরবসু, টেলেন্টশিং অদু উথোক্লবা চপ-চাবা মফম অমা লৈত্রগদি কনানসু খঙবীদনা মাঙখিবা তাবনি। ৱেব সেরিজনা অদুগুম্বা কয়া অদুগী চাউরবা মফম অমা পীদুনা টেলেন্টশিং অদু উৎথোক্লি। তৌবতবু চেকশিনগদবা কয়া অমদি লৈরি। মেদিয়ম অসি ঐখোয়না হেক্তা পাম্মী হায়দুনা পংশিন-শীজিন্নবা য়াদে। মীয়ামদা লান্থোক্কদবা অমদি খুন্নাই মীয়ামগী মীৎমাঙদা থমগদবা অমা ওইবা, লোয়ননা মালেম শিনবা থুংনা য়েংনবগী খুদোংচাবা লৈবা অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিরোল, চৎনরোল, থৌগল্লোন কয়া অসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী অথুপ্পা কলচরগী মশক অদুবুসু ময়েক শেংনা মীয়ামদা উহন্দুনা খুন্নাই অসিগী ফজবা কয়া অদু ফোঙদোকপা মথৌ তাই। মরু ওইনা ৱেব সেরিজ অসি নহাশিংনা অয়াম্বা ওইনা য়েংনবদৌনা তৌরিবা অসিনা মরম ওইরগা অফবা তুংলমচৎ অমা অমদি পুন্সিরোল অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ৱেব সেরিজনা পাউজেল ময়াম অমা পীবা ঙমগনি হায়না খল্লি। অদুগী মহুত্তা নহাশিংগীনি, নহাগী থবকনি হায়না নহাশিংতগী ওইবা ৱারী পরিংদা পুথোক্লরবদি মদুগী খুদোংথীবা অদু তুংদা লাক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিনা ফংগদৌরিবনি। মসিনা প্রদক্সনগী ওইবা মতাং ওইরবসু, মসিবু পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌজ রিবশিং অসিগী ওইবা প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎপা হৌজিক মথৌ তারে। মখোয়বু নিংথিনা শক খঙবীবা চঙই। মখোয়বুসু ঐখোয়না রিকগনাইস তৌবীবা, মখোয়গী মফম অমা পীবীবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে হায়না খল্লি।

মণিপুরদা লাক্লিবা ঈহৌ অসিবুসু সপোর্ট তৌবা ওইনা, লন্নাই লূপ নৎত্রগা ৱেব সেরিজতগী ওইবা ময়ায় লূপ অমা শেমগৎলগা ফেষ্টিভেলনচিংবা শিনবীবা, মসিদা শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিং অমদি অতৈ মরী লৈনবা কয়াশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱারোল পীদুনা অমদি মথৌ তাবা ৱার্কশোপ মচা-মচা শিনবা য়াম্না কান্নগনি খল্লি। তৌফমসু থোকই হায়না লৌই। হৌজিক্তি ঈহৌ অসি কন্না কনখৎলক্লগনি থাজৈ। অদুনা মায়কৈ চুম্না অমদি অথোই অহেন হায়বা অমা লৈরগদি অফবা মপুথোক, ৱাখল্লোন অমদি খুলান্থোকশিং ঐখোয়না থেংনগদৌরিবা ওইবনা মখোয়গীদমক ৱাফম খরদি তশেংনা খন্নবা চুম্লে হায়না লৌই। অমরোমদা ৱেব সেরিজ তৌরিবা ক্রিএটরশিং হায়গদ্রা মেকরশিং অসি অয়াম্বনা ফিল্মগী ঈহৌদা শরুক য়াবা অমদি প্রদক্সন কয়াদা খূৎলোইবসু শোয়দনা য়াওরমগনি। মখোয়না শিন্দুনা হৌরক্লিবা এক্টরশিংবু মায়কৈ চুম্না চৎচখিনবা অমদি মখোয়গী মফম অমা কঞ্জবা ঙম্নবা অখন্নবা থৌরাং খরা শিনবীবা ফৈ খল্লি। মদু পূম্নমকশিং অদু মখোয় মখোয়না পামজরিবা হীরমশিং অদুদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা ওইগদৌরিবনি।

ৱেব সেরিজদা খূৎ থাবিরিবা অমদি শরুক য়াবীরিবা পূম্নমকশিংনা না-পু তানা অমদি কাঙলোন চুম্না চৎপীদুনা অনৌবা মেদিয়ম অমা ওইনা মণিপুরদা লাক্লিবা ঈহৌ অসিগী খোঙজেল কনখৎহন্নবা অঙন্বা থৌদাং লৌবীয়ু অমদি অখন্নবা থৌরম কয়া শীন্দুনা মসিবু হেন্না পোপ্যুলরাইজ তৌনবা শীনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি। অদুগা ফিল্মগা মরী লৈনবশিংনসু অসিগুম্বা অনৌবা মেদিয়ম অসিদা চঙশিনজরিবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা করি করি তৌবীবা য়াবগে হায়বা অদুসু খলহন্নীংই।

---

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।১২।২০২০ইং, নোংমাইজিং;
হিয়াঙ্গৈগী ২১নি পানবা।

**মেষ :** লাইবক ফবা ৱাৎলি-ঈংথনা লৈগদবা নুমিৎনি। হোয়া ফবা/ইচং থৌবগী কান্নফম খঙলোই অমদি মচাক নরল ময়েং তাদনবা হোৎনৌ। মৈনা তাথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনম তানগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লাইবক ফবা, নক্লবা মীগী মতেং ফংবা অমদি চাদিং হন্থবা ঙমজবা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নরবা অমদি ৱাঙাঙ হৈত্রদি ঈকাইবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন :** অরং অরাক অমদি অফবা মরুপ মপাং ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। য়েৎনরদি অমদি পংলদি লৈফম খঙদবা পোক্কনি-অদুনা লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাও।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈকাই খুম্নবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কর্কট :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না কল্লি অদুনা নিংবদুমক অফবা ওইরদি পাংহৌবা ফৈ। মরুপ লোয়নবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নুংথিল ফাওবা লাইবক ফবা ৱাৎলি অদুনা অফবা থবক খরা থেংথরগা পাংবা ফগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি অশাওবনা মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্নিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** লাইবক ফৈ, শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি। অনিংবা থবক খরা পাংবগী নুংঙাইবসু লৈগনি। অদুবু য়েক্লবনা য়েংশিনবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা খরদি থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**তুলা :** হরাওবা, মীকোক থোংবা অমদি থেংলপ্পা পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা নুমিৎনি। শেল চিনবা নত্রগা লৈজবা লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈ-লাই-গুরুগী ৱা তাও।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক খরা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** থাজদনা কান্নবা য়াম্না ফংজগনি, অনৌবা মরুপ লোয়নবা কান্নগনি অমদি লম চৎপা মহয় য়ানগনি।অনিংবা পাংবা ঙমদবগী কোক শাবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনম কনগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**ধনু :** ইমুং মনুংগী ৱা তাবা, পোরম য়াৎথোক্লগা থৌ পাংবা অমদি অরং অরাক্কী লম্‌দা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। মরুপ কাইনদনবা হোৎনৌ-চরাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লাইবক ফৈ-নীংবা থুংবা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি নক্লবনসু য়েৎপদি লৈগনি। হন্থবদগী চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্ব :** হরাওবা নুংঙাইবা, মায় পাকপা, লাই-গুরুনা থোইনা চানবীবা অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা নুমিৎনি। থবক্তদি মীকোক থোংনা পাংগনি-চিংনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** চ রাংনরদি মতম মাঙবা অমদি হেন্না ইচং থৌরুরগা মীপাইবা পোকপা লৈগনি। অদুবু নঙগী ওইবা মীশিংগী মতেং লৌবদি চাওনা মায় পাক্কনি। ফিংবদি য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা লুনা তৌই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

---

## হুইয়েন জোক্স

নুপী অমা ট্রাফিক আইলেন্দদা রেদ লাইট লাক্লবসু লম্বী অদু লান্থোক্লবা এক্তিভা কন্না থৌজিল্লম্মী
ট্রাফিক পুলিস : ইবেম্মা গাড়ি সাইদতা খাম্মু।
নুপী : অহানবা গাড়ি থৌবনি ঐবু ঙাকপিয়ু।
ট্রাফিক পুলিস : সোম, রেদ লাইট থাল্লিবদু উদবরা?
নুপী : রেদ লাইট লাকপদুদি উখি অদুবু সর কদাইদা লোৎতুনা লৈবনো হায়বদুদি উখিদে...!

---

নাউতোন : মুকেস অম্বানি নুমিৎ খুদিংগী ক্রোর ৪০০ হেন্না তাল্লি। মচানুপী ইশা লুহোংবদনা শুপ্নগী ক্রোর ৮০০ খক চাদিং তৌই। মদুনা তাকপদি শুপ্নগী মানা নুমিৎ নীনিদা ফংবা শেল অদুখক্তা চাদিং তৌই।
পিক্তু : অদু কৈদৌরে হায়বনো?
নাউতোন : ঐখোয়না পুন্সি চুপ্পা তাল্লকপা শেল ইচানুপীগী লুহোংবদা লোইনা শিজিন্নে। অদুগা মানা য়েংউ, কয়াদা লিকখ্রবা নুপানো ...!

---

লোকদাউন মনুংদা দুকান থোং লোন্নরম্মী...
চাউতোননা তঙাইফদনা পোৎ অমা লৈবা চৎপদা দুকান থোং লোলম্মী অদুবু দুকান অদুগী সটরদা ইরম্মী 'করিগুম্বা ওনলাইন ওর্দর তৌনিংলবদি নম্বর অসিদা ফোন তৌবিরকউ।'
চাওতোন্না ফোন তৌশিনবদা ফোনদা হায়রকই, সটর থাঙ্গৎলগা মনুংদা থুনা চঙলকউ... !

---

ওজা : করিগুম্বা মালেমগী লৈনুংদগী 'লাভা' মপান থোরক্লবদি মপান্দা করি-করি লৈগনি?
নাওপিক : ওজা করিগুম্বা মালেমগী লৈনুংদগী 'লাভা' মপান থোরক্লবদি মপান্দা 'ওপো' নৎত্রগা 'ভিভো' লৈগনি। কা অদু পুমচিক চিকখি।

---

ওজা : গঙ্গা তুরেল কদাইদা চেনবগে?
সনা : লৈবাক মথক্তা চেল্লি।
ওজা : মেপতা নখুৎনা থিল্লগা তাকউ।
সনা : সর, মেপ্তা করম হায়না চেনগদৌরিবনো? মেপ লোয়না চোৎলনি...!

---

ওজা : সেমিষ্টর সিষ্টমদা করি-করি কান্নবগে?
চাওবা : সেমিষ্টর সিষ্টমদা করি কান্নবনো হায়বদুদি খঙদে মেদাম, অদুবু চহী অমদা অনীরক ইকাইবদি শোয়দনা নংই...!

---

ওজা : পোলাং অমদা হৈনৌ ১০ য়াওই, মদুগী মনুংদা হৈনৌ অনী পুমখ্রে। অদু ওইরবদি পোলাং অদুদা হৈনৌ কয়া লেমহৌরিবগে?
মোচা : সর, হৈনৌ ১০ অদুমক লেমহৌগনি।
ওজা : মতৌ করম্না ?
মোচা : হৈনৌ পুল্লবসু হৈনৌ ওইনা অদুমক লৈগনি, লফোইদি ওনখিরোই... !

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।

---



Title : Lone House
By : Chinglembi Ningombam
Class : III Sec : B Roll No. 1
School : UNACO School Khongman



Title : Lal Bahadur Shastri
By : Airish Thangjam
Class : V Sec : A Roll No. 62
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : The Sun
By : Chitaljit Gurumayum
Class : 2 Sec : B Roll No. 18
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Umbrella
By : Henbisana Pukhrambam
Class : I Sec : A Roll No. 55
School : Loyola School Bishnupur



Title : A Village
By : Jessica
Class : I Sec : Emerald Roll No. 15
School : Kids' Foundation



Title : Fish
By : Laishram Chingthangkhomba Singh
Class : I Sec : A Roll No. 31
School : Base Academy, Khangabok



Title : Mahatma Gandhi
By : Osika Kshetrimayum
Class : III Sec : Roll No. 8
School : Global School of Human Resources



Title : Watermelon
By : Usham Leishilembi
Class : I Sec : Roll No. 5
School : Nawa Lousingkol



Title : Pennywise
By : Oinam Thoithoiba
Class : II Sec : Roll No. 15
School : Life school, Ghari